www.sanaleibak.in

# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 15,052 | 22 Carat/g : ₹ 14,185 | 1 Kg Silver : ₹ 2,34,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,340 | WEATHER: Cloudy | Temperature 28/21°C | Sunrise: 04:56 AM | Sunset : 05:29 PM | Petrol : ₹ 106.87 | Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 282 | IMPHAL, WEDNESDAY, SEPTEMBER 23, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪-২৫ | য়ুমশকৈশা, লাংবনগী ১২ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## কোওপরেটিভ দিপার্টমেন্টকী চাদা ৫০ হেন্না ষ্টাফ ৱাৎলি, সোসাইটিসু চাদা ৫০ হেন্না ফঙ্কসনেল ওইদ্রে

## নহাশিংং য়াওশিনবা মতম ওইরেঃ ইবোহল

**‘অৱাৎপা ষ্টাফ হাপ্পবা ২০২২দা কৌখিবা থবক কেন্সেল তৌখ্রে, অনৌবা কৌগদৌরি’**




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী কোওপরেটিভ দিপার্টমেন্টকী লৈফম থোকপা অপূনবা সেঙ্কসন পোষ্ট ৫০৬তা ২০৪ খক্তমক লৈরগা চাদা ৫০গী মথক্তা ষ্টাফকী অৱাৎপা লৈরে, অদুগা রেজিষ্ট্রার তৌরবা অপূনবা সোসাইটি ১১,৬৫৯দা শুপ্নগী ৫,৩৩৭ হিংলগা চাদা ৫০ হেনবা মথৌ তৌদনা লৈরে।

মণিপুরদা কোওপরেটিভ মুভমেন্ট হেন্না পাঙ্গল কনখৎহন্নবা নহাশিংনা য়াওশিল্লকপগী মতম ওইরে হায়না কোওপরেটিভ সোসাইটিগী রেজিষ্ট্রার ৱাইখোম ইবোহলনা হায়খ্রে।

দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন (দি আই পি আর)না শীন্দুনা লেপ্তনা চত্থরকপা মীট দ প্রেস প্রোগ্রামগী ৱাংসি পাউমীশিং গা উনবদা দল্লীউ ইবোহলনা হায়, মণিপুরদা কোওপরেটিভ মুভমেন্ট অসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতম ইং কুমজা ১৯৩৯দগী হৌরকখিবনি। মদুদগী তপ্পা তপ্পা লাক্তুনা ঙসিগী ফিভম অসি য়ৌরকপনি। ...মখা লমায় ৫দা...

## মীচম ঙাক্লবা লৈঙাক্লা চপ চাবা থবক পায়খৎতুনা লো লৈ হায়বা খঙহল্লুঃ অন্সম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ য়ানিংদবা ফোঙদোকপা অমদি ৱা ঙাঙবা খক নত্তনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি ঙাক শেন্নবা লৈঙাক্লা চপ চাবা থবক পায়খৎতুনা লো লৈ হায়বা খঙহল্লু হায়না ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন, মণিপুর (অন্সম)না ফোঙদোরক্লি।

অন্সমগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তামৈ সব ...মখা লমায় ৫দা...

## নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা এক্সন টেকন রিপোর্ট পীখৎলক্কদবনিঃ কম্মিসন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী অপ্পর তাকৌ খুলদগী চহী ১৭ রোমতমক ঙাইরিবা মহৈরোই অমবু খুৎলায় পায়বশিংনা থৱায় মাঙহনখিবনি হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি পুলিস ওথোরিটিনা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা এক্সন টেকন রিপোর্ট (এ টি আর) পীখৎলক্কবা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম পি সি পি সি আর)না খঙহনখ্রে।

কম্মিসন অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, ইৱাংগী চৈথেং মায়োক্নরবা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা অঙাংশিংগী য়াইফনবা অমদি চেকশিন থৌরাংগীদমক ষ্টেট লৈঙাক্লা ...মখা লমায় ৫দা...

## তম্পাক্তা মণিপুর ঙাক্কনি লাওবগী মহুৎ চীংদসু চত্তুনা পূন্না ইং-চিকপা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসিঃ খেমচান্দ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি খরনা তম্পাক্তা মণিপুর ঙাক্কনি হায়না লাওদুনা লৈবগী মহুৎ চীং দসু চৎলগা পূন্না হিংমিন্ননবা ইং-চিকপা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।



কৈরাও এ সিগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শাবা লোয়দুনা শঙ্গারগা মীয়ামদা খূৎশিন্নবগী লিলোং অরাপতি কাং জৈবুংদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

পূন্না লুপা ক্রোর ৩২ চঙনা পায়খৎখিবা কৈরাও এ সিগী মনুং চনবা ক্যামগৈ মোর্দন এগ্রো মার্কেট সেদ, ক্যামগৈদা শাবা আর সি সি থোং, ক্যামগৈ মমাঙ লৈকাই ৱার্কিং ৱুমেন হোষ্টেল, উরুপ কৈরাওগী আর সি সি থোং অমসুং অরাপতি লিলোং মপাল কাংজৈবুঙদা শাবা ষ্টেদিয়ম গেলেরি অপূনবা প্রোজেক্ট ৫ মীয়ামদা খূৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা মখা তানা হায়, থোকখিবা ইৱাং অদুগী চৈথেং ফংলিবা নাকল অসি কনানো, চাউখৎপা খুন্নাই শেমসি হায়রবদি শান্তি লৈহনবা অমদি শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ...মখা লমায় ৫দা...

## এন আর সি তৌ হায়দুনা মীয়াম্না ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে

**য়েলহৌমীশিংনা অশাওবা উৎলক্লবদি মণিপুর মৈ চাক্কনিঃ ত্রিমসন মরিং**

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি) অপদেট তৌ হায়দুনা মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না শরুক য়াদুনা থম্বালখোঙগী মীতৈ শঙলেন্দদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

লৈঙাক্লা থবক পায়খৎল্লক্কনি হায়বগী ...মখা লমায় ৫দা...

### মণিপুর থুগায়নবা হোৎরকপশিংদগী চেকশিনসিঃ ফাওমৈ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ য়েলহৌমী শাদুনা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরক্লিবশিংদগী ঐখোয় পুন্নমক্লা চেকশিনসি। খুরক্কী ঈনা লাই শাবশিং মশক খঙদোকসি হায়না জে লিয়াংরোং য়ুনিয়ন মণিপুরগী চেয়ারমেন ডা. এল ফাওমৈনা ফোঙদোকখ্রে।

১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি ...মখা লমায় ৫দা...

## ৱারোইশিন লাক্ত্রিঙৈ সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তুনা উৎ চাইবা য়ারোইঃ কোকোমি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা ইৱাংগী চপ চাবা ৱারোইশিন অমা পুরক্ত্রিঙৈ তঙদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লে হায়বা য়ানবা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কনি হায়না লৈঙাক্লা থৌরাংলিবসি মীয়ামদা উৎ চাইবনি, লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবশিং মশা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্দ্রিবা ফাওবা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপীগনু হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)না আপিল তৌরক্লি।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা কোকোমিগী ওফিসতা ঙসি আই দি পিশিংগা পূন্না পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কোকোমিগী কনভেনর ৱাই কে ধিরেননা হায়, হৌজিক লমদম অসিদা ওইরিবা ফিভম অসি লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা চপ চানা থবক পায়খৎপগী মমি তাদে। কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী চত্থরক্লিবা ইৱাং অসি মৈতৈ অমদি কুকি ...মখা লমায় ৫দা...

## তঙদু লৈতানবনি হায়রগা আইদেন্টিটি কমপ্রোমাইজ তৌবদি চুম্লোইঃ বিরেন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা ইং তপ্পা তঙদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লবনি হায়রগা ইশাগী আইদেন্টিটিবু কমপ্রোমাইজ তৌবদি চুম্লোই। তুংগী মণিপুর অমা থল্লম্নবগীদমক মতম খরা ৱামিন্নবা মথৌ তাই হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসন (এম এস আর এল এম)না প্রমোদ তৌবা থৌঙানবী ৱুমেন মল্টিপর্পজ কো-ওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদ, লাইফম খুনৌ ময়াই লৈকাই লেন্দ নম্বর ২ ইম্ফাল ইষ্টকী ৪শুবা এন্যুয়েল জেনরেল বোদি মিটিং ইবুধৌ মার্জিং অচানবিগৈ লাই হরাওফম কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা থৌরমগা মরী লৈননা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর, হৈঙাং এ সিগী এম এল এ নোংথোম্বম বিরেননা মখা তানা হায়, লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ...মখা লমায় ৫দা...

### পাৎতোন এরিয়াদা ওপরেসন চত্থখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সকী অপূনবা কাঙবু অমনা ঙরাং পাৎতোন এরিয়াদা ওপরেসন চত্থখ্রে। মদুদা মেগজিন য়াওবা এ কে ৪৭ অমা, মেগজিন য়াওবা কন্ত্রি মেদ সি এম জি ১, .৩২ পিষ্টোল ১, আই ই দি ১, হেন্দ গ্রেনেদ ১, ৭.৬২ এম এমগী মরু ১৫ অমসুং ফ্রেকমেন্টেসন গ্রেনেদ ১ ফংবা ঙমখ্রে।

### দেসাম অমদি দি এম সি সিনা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা কুকি মিলিটেন্টশিংনা এম্বুস চত্থদুনা চহী ১৭ রোতমক ঙাইরিবা নাগা ফুরুপকী নহা অমবু হাৎখিবগী থৌওং দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) অমদি দিল্লি মীতৈ কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (দি এম সি সি)না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি। ...মখা লমায় ৫দা...

## ২৪৮শুবা হৈক্রু হিদোংবা, হিয়াং তান্নবা পাঙথোকখ্রে, গভর্ণরস এৱার্দ লাম্থোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ লংবনগী ১১নি পানবা নুমিৎতা চহী খূদিংগী লেপ্তনা পাঙথোক্তুনা লাকপা হৈক্রু হিদোংবগী ২৪৮শুবা থৌরম ঙসি শ্রী শ্রী বিজয় গোবিন্দগী থাঙ্গপাৎতা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা শরুক য়ারগা মায় পাক্লবা হিরোইশিংদা গভর্ণরস এৱার্দ লাম্থোকখ্রে।

শ্রী শ্রী বিজয় গোবিন্দগী থাঙ্গপাৎতা ঙসি পাঙথোকখিবা হৈক্রু হিদোংবগী থৌরম অদু অদুঙৈ ঙসিদগী চহী ...মখা লমায় ৫দা...

Government of India | Pradhan Mantri Jan Arogya Yojana | Ayushman Bharat | PM-JAY

# নুংশিরবা ডোক্তর, চানবিদুনা লায়েংবা হেক্তা হৌবিরো... অদুগা লায়েংমলগীদি ৱাবিরুরনু

## মরমদি ঐখোয়না হৌজিক আয়ুশমান ভারত এসুরেন্স য়াওরে

- কোটি ৬০+ লায়রবা অমসুং অশোল-অনাশিংবু লুপা লাখ ৫ ফাওবা লেন্না লায়েংবা
- আয়ুশমান ভারতনা চহী ৭০+ শুরবা সেনিয়র সিটিজেন কোটি ৬তসু কান্নবা পীবা
- খূদোংচাবা ফংগদবশিংগীদমক লুপা কোটি লাখ ২ ডাইরেক্ট সেভিং তৌবা
- কোটি ১৩+ হোস্পিটাল এদমিসনশিং

লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্কী হোস্পিটাল ৩৮,০০০ হেনবদা লায়েংবগী খূদোংচাবা পীরি

আয়ুশমান অরোগ্য মন্দির লাখ ১.৮৬তা ৬০+ টেষ্টকী খূদোংচাবা অমসুং ১৫০+ হিদাক লেন্না ফংহল্লি

খূদোংচাবা ফংবশিংনা মখোয়গী ষ্টেটকী ৱাংমদা লৈবাক অসিগী মফম অমদা হেক্তা লায়েংবগী খূদোংচাবা লৌবা য়াই

কেন্সর, হার্ট ডিজিজ অমসুং ওর্গান ত্রান্সপ্লান্টগুম্বা অরুবা অনাবশিংগীদি ১০০% কোভরেজ পী




নহাক হৌজিক য়াওবা য়ারব্রা চেক তৌরো আয়ুশমান এপ্প। beneficiary.nha.gov.in তোল ফ্রী ১৪৫৫

সনালৈবাক কী টেলিফোন নম্বরশিংঃ সার্ক্যুলেসন অমসুং ওফিসকীনা 8787846223 দা, গ্যাসকীনা, 9402247588 দা, ঈ-পাউগী ওইনা 8830812368 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9436829185 দা পাউ পীবিবা য়াগনি

# জিট কুন দো চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ২৭ লৌরক্লে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী ১৯দগী হৌদুনা ২০ ফাওবা নুমিৎ নীনি চুপ্পা গুৱাহাতিগী কোটন য়ুনিভর্সিটিগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ান জিট কুন দো চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা মণিপুরগী জিট কুন দো শান্নরোইশিংনা গোল্ড মেদল ২৭ অমসুং সিলভর মেদল ১ লৌদুনা য়াম্না চাউনা মায় পাকখ্রে।

নুপা অমদি নুপীগী তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিদা শান্নখিবা মেটচশিং অদুদা মশাগী চহী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপাগী কেটাগোরিদা থোকচোম নোংদম্বা মৈতৈনা গোল্ড, নুপাগী চহী ১৪গী কে জি ৩৫দগী ৩৭ ফাওবগী কেটাগোরিদা অশেম ন্যুসন সিংহনা গোল্ড, চহী ১৪গী কে জি ৪৫–৪৭গী ওইনা ভিক্টর থিয়ামনা গোল্ড, চহী ১৪গী কে জি ৪৯–৫১ ফাওবগী ওইনা লাইশ্রম বোরিশনা গোল্ড ২, চহী ১৪গী কে জি ৫১গী মথক্তা লৈবশিংগী ওইনা ৱাইরোকপম ধনরাজ সিংহনা গোল্ড, চহী ১৭ ফাওবগী কে জি ৪৬–৪৯ দা নাম্মৈরাকপম দেবার্শি সিংহনা গোল্ড, কে জি ৪৯–৫২দা খুল্লাকপম অনন্দ শাহনা গোল্ড, কে জি ৪৩–৪৬তা তেনিসন থোঙামনা গোল্ড, কে জি ৫২–৫৫ কে জিদা সলাম ফালগুনি সিংহনা গোল্ড, কে জি ৫৫–৫৮তা য়ুরেম্বম রোহিত সিংহনা গোল্ড অমসুং কে জি ৬৪ প্লসতা থিয়াম পুনশিবা সিংহনা গোল্ড লৌরকখি।

চহী ১৯ মথক্তা লৈবা নুপাগী তোঙান তোঙানবা ৱেট কেটাগোরিদা শান্নখিবা মেটচশিংদা চুংখাম নিংথেম, শামোম কেনেদি সিংহ, তোংব্রম বিসন সিংহ, লাইশ্রম দিনেস সিংহ, এলাংবম হিরাচন্দ্র সিংহ, কোলোম প্রেমকুমার সিংহ, রাজকুমার ব্রিকমজিৎ সিংহ অমসুং লাইতোঞ্জম পারি সিংহনা গোল্ড মেদল লৌরকখি।

চহী ৫০গী মথক্তা লৈবা নুপাগী মাষ্টর ইভেন্টকী কে জি ৬৯–৭২দা ওক্রম জিবন সিংহনা গোল্ড মেদল লৌরকখি।

চহী ১৩–১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচাশিংগী তোঙান তোঙানবা ৱেট কেটাগোরিদা খুমুকচম মণিমতুম সিংহ অমসুং মুতুম মঙাল সিংহনা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রে।

চহী ১৫দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচাশিংগী ৪৮ কে জিদা এলাংবম রিশিকান্ত সিংহনা সিলভর মেদল লৌরকখি।

মশাগী চহী ১৭তগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংদা থোঙ্গ্রাম অনিল সিংহ অমসুং তাইবংঙানবা পুখ্রম্বম মৈতৈনা গোল্ড লৌরকখ্রে। চহী ১৯–২০ ফাওবগী নুপাগী কে জি ৬৩–৬৭দা চবুংবম মঙালসনা মৈতৈনা গোল্ড লৌরকখি।

গুৱাহাতিদা পাঙথোকখিবা জিট কুন দো চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী নুপীগী ইভেন্টতা মশাগী চহী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা কে জি ৪৭–৪৯দা নিংথৌজম পিঙ্কিরানী চনুনা গোল্ড লৌদুনা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখি।

অমরোমদা জিট কুন দো এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরী মোইরাংথেম মালেমঙানবনা খৃৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা পুন্না গোল্ড মেদল ২৭ অমসুং সিলভর মেদল লৌদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়ানা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে। অদুগা নেপাল অমসুং ভুতাননা মথংশিংনা রন্নর অপ অমসুং সেকেন্দর রন্নর অপ তাখ্রে।

গুৱাহাতিদা পাঙথোকখিবা জিট কুন দো চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা মায় পাক্লা শান্নদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ উরোং পুরকপা ঙমখিবগীদমক্তা এসোসিয়েসন অসিগী মায়কৈদগী শান্নরোইশিংবু থাগৎপা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা তুংগী কেরিয়রদা হেন্না মায় পাক্তুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপাওই রসনু হায়রি।

*ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল গেমস (বোক্সিং):*

# অন্দর–১৭ বোইজকী কেজি ৬৩ বাউটকী ফাইনেলদা বিদ্যাচন্দ্র ওইনাম অমসুং কে ঐচ লনচেনবা ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ

য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর (য়াস)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা দিষ্ট্রিক্ট ১০দগী লাকপা নুপা বোক্সর ১২০ অমসুং নুপী বোক্সর ৫৫ পুন্না বোক্সর ১৭৫না শরুক য়াদুনা চথরিবা ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল গেমস (বোক্সিং) ২০২৬কী অন্দর–১৭ বোইজগী কেজি ৬৩ বাউটকী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বিদ্যাচন্দ্র ওইনাম অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী কে ঐচ লনচেনবনা শান্নরগনি।



ঙসি শান্নখিবা অন্দর–১৭ বোইজকী কেজি ৬৩ বাউটকী সেমি ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বিদ্যাচন্দ্র ওইনামনা থৌবালগী আর কে অথোইসনা মৈতৈবু আর এস সিদা মায়থিবা পীরগা ফাইনেল চঙখি। বাউট অসিগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল অমদা ইম্ফাল ইষ্টকী কে ঐচ লনচেনবনা ককচিংগী টিঐচ নিতিশ সিংহবু ৱার্ক ওভরদা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

কেজি ৬৬গী সেমি ফাইনেল বাউটতা থৌবালগী সিঐচ রাজকুমারনা ককচিংগী ৱাই অভিনাস সিংহবু ৫–০দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখ্রে। বাউত অসিগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা চান্দেলগী সুং পি মোহানগম না বিষ্ণুপুরগী লাইশ্রম নোংলেনখোম্ববু আর এস সিদা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

কেজি ৭০গী সেমি ফাইনেল বাউটশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বোলিসন শগোলশেমনা ইম্ফাল ইষ্টকী পিঐচ বিক্রনবু আর এস সিদা মায়থিবা পীখি। অদুগা বাউট অসিগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা বিষ্ণুপুরগী খাইদেম য়াইফবনা ককচিংগী এল মহেশ সিংহবু আর এস সিদা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙম্লখি।

কেজি ৭৫কী সেমি ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী এন জি সামসনবু থৌবালগী পি ঐচ জেনিস মৈতৈনা ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

অন্দর–১৭ বোইজকী কেজি ৮০গী সেমি ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোন্থৌজম লেনিন সিংহবু ইম্ফাল ইষ্টকী দিজেন্দ্র অয়েকপমনা ৱার্ক ওভরদা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

কেজি ৫৬গী নুপীগী সেমি ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বি এম রায়িসউদ্দিননা ইম্ফাল ইষ্টকী মারটিন কে ঐচপু ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

কেজি ৪২গী সেমি ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইষ্টকী এন হেসিকা চনুনা বিষ্ণুপুরগী ক্ষেত্রিময়ুম অলিনা চনুনা ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

কেজি ৪৪গী সেমি ফাইনেলদা বিষ্ণুপুরগী মুতুম প্রবিন চনুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী থোকচোম মালেমঙানবীবু আর এ সিদা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। অদুগা অতোপ্পা বাউট অমদনা থৌবালগী লনচিনবী শোইবমনা ইম্ফাল ইষ্টকী কে ঐচ তানিয়াবু ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলগীদমক শেম শাদুনা লৈখ্রে।

কেজি ৪৬গী সেমি ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পুয়াম হেনা চনুনা ইম্ফাল ইষ্টকী মিলকি মাইনমবু আর এস সিদা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

অন্দর–৪৮ সেমি ফাইনেলদা বিষ্ণুপুরগী নাওরেম পুৱারী চনুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোন্থৌজম দিব্যাভারতি দেবীবু আর এস সিদা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। অদুগা অতোপ্পা বাউততা ইম্ফাল ইষ্টকী এল সোমা চনুবু থৌবালগী প্রিয়াঙ্কা নোংমাইথেমনা ৩–২দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

অন্দর–৫০ কেজি ৪৬কী সেমি ফাইনেলদা থৌবালগী মকুফাইরোং বিনিতানা নোনেগী লুমা মৈলু গাংমৈবু আর এস সিদা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলগী বাউট অমদনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সরাংথেম লিন্থোই চনুনা ইম্ফাল ইষ্টকী কেঐচ অনিমিকা চনুবু ৪–১দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলগীদমক শেম–শাদুনা লৈখ্রে।

গার্লস অন্দর ১৭গী ৫২ কেজিদা বিষ্ণুপুরগী নাওরেম সুমা দেবীবু উখ্রুলগী রিং শেমথিং জিমিকনা আর এস সিদা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলগী বাউটতা ইম্ফাল ইষ্টকী এন জি বিনাও দেবীনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মঙলেম্বম প্রিয়ালক্ষ্মী দেবীবু ৫–০দা মায়থিবা পীখ্রে।

অন্দর–১৭গী ৫৪ কে জিদা ককচিংগী সিঐচ নন্দরানীনা ৱার্কওভরদা ফাইনেল চঙখ্রে। অতোপ্পা বাউট অমদা থৌবালগী সিনাম ইবেসনাবু নোনেগী কপেসনা বরিয়মতকনা ৫–০দা মায়থিবা পীখ্রে।

কে জি ৫৭গীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাইরেঞ্জম সুজেন দেবীনা ইম্ফাল ইষ্টকী এল সোভালক্ষ্মীবু ৩–২দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল বাউট অমদা জিরিবামগী দব্লিউ ৱাংলেন্বী চনুবু থৌবালগী এল ঙান্থোই দেবীনা ৩–২দা মায়থিবা পীদুনা ফাইলে চঙখি।

অমরোমদা অন্দর ১৪ বোইজগী তোঙান তোঙানবা কে জি দা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচশিংদা ৩০ কে জি গী ওইনা ককচিংগী এন লকি সিংহবু ইম্ফাল ৱেষ্টকী রিংয়ন য়ানহানা ৪–১দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

কে জি ৩২গীদা বিষ্ণুপুরগী রবিন থৌনাওজমবু ইম্ফাল ইষ্টকী ওরিশ চনম্বমনা ৩–২দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল লৌখ্রে।

কে জি ৩৪গীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ব্রেভলি য়াইখোমবু ককচিংগী কর্ণভক্তা সিংহনা ৩–২দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

কে জি ৩৬কীদা বিষ্ণুপুরগী লোগান পুখ্রম্বমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নোংমাইথেম তোমথিনবু ৪–১দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

কে জি ৩৮গীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী হৈখাম হেন্থোইবু থৌবালগী কে ঐচ লমঙানবা সিংহনা ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল লৌখ্রে।

কে জি ৪০গীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাইশ্রম এলেক্স সিংহবু ককচিংগী ই অথোইবা সিংহনা ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

কে জি ৪২গীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মাইস্নাম কনবা লুৱাংবু ইম্ফাল ইষ্টকী এস লমঙানবনা ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল লৌখ্রে।

কে জি ৪৪গীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঙানথোইবা য়েংখোম্বু ইম্ফাল ইষ্টকী এন দাইমন্দনা ৪–১দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

কে জি ৪৬কীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সলাম য়াইফবা মৈতৈনা ইম্ফাল ইষ্টকী লমজিংবা এন জিবু ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

অদুগা ঙসি শান্নখিবা অন্দর ১৪গী তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিগী অরোইবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা কে জি ৪৮গীদা বিষ্ণুপুরগী চুমখুপথাংকোমবু থৌবালগী দব্লিউ মঙালসনা সিংহনা ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল লৌবা ঙমখ্রে।

### ৩শুবা দি জে এফ আর হোক্কী কপ ২০২৬

# আর্মি ১১, মৈরা, কোর্পস ওফ সিংনাল, ই ৱাই বি সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হোক্কীগী মীৎয়েং মখাদা দাইরেক্তর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮দগী হৌদুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক এস্ত্রো হোক্কী টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৩শুবা দি জি এ আর হোক্কী কপ ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা আর্মি এলেভেন, মৈরা বাসিখোং, কোর্প ওফ সিংনাল অমসুং ই ৱাই দি সি ইরোইশেম্বা টিমশিংনা মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা নুপাগী হোক্কী টিম ১০না পুল অনীদা অমসুং নুপীগী টিম ৫ য়াওরগা পুন্না টিম ১৫না শরুক য়ারগা চথরিবা কপ অসিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা নুপাগী অহানবা গ্রাউন্দ মেটচতা আর্মি এলেভেননা এস এস বিবু পাঞ্জল ৪–০দা মায়থিবা পীখি।

অয়ুক্কী অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা নুপীগী মেটচতনা মৈরা বাসিখোংনা ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহল্লুপপু পাঞ্জল ৬–৩দা থোয়খি।

হোক্কী কপ অসিগী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দগী নুপাগী লীগ মেটচতা কোর্প ওফ সিংনালনা ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহল্লুপপু পাঞ্জল ৯–০দা থোয়খি।

অদুগা ৪শুবা ঙসিগী অরোইবা মেটচ ওইনা নুপীগী লীগ মেটচ অমদনা ই ৱাই দি সি ইরোইশেম্বনা টি দব্লিউ সি তাবুংখোকপু পাঞ্জল ৩–১দা মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি।

# কে কে মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন–দি এস এ ককচিংনা শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌদুনা ককচিংগী দি এস এ গ্রাউন্দদা চথরিবা ২২শুবা ক্ষেত্রিময়ুম কিশোরকুমার সিংহ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী অমদি য়ু বি ঐচ এ মন্তক মায় পাকখ্রে।

ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুটবোল টিম ৭না চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী অনীশুবা লীগতা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপীনা এ কে এস এ ককচিং খুনৌবু গোল ৩–২দা মায়থিবা পীখি।

লোয়ননা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দগী অহুমশুবা লীগতা য়ু বি এস এ মন্তকনা এস এ ও ককচিংবু গোল ৩–০দা মায় পাকখি হায়রি।

*গীফ রাইখান মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট:*

# এ আই এম খাবম ১সুং এ টি এফ এ ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২(এস এন এস)ঃ

অহানবা গীফ রাইখান মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬–২৭গী ফাইনেলদা অনৌবা ইমাগী মঙাল–এ আই এম খাবম লমখাই অমসুং অঙানবা তাইবঙ ফুটবোল একাদেমি (এ টি এফ এ) অনীনা থা অসিগী ২৪গী নুংথিল পুং ২ তাবদা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।





ঙসি শান্নখিবা অহানবা অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা এ আই এম অমদি এ টি এফ এ টিম অনীনা মাগী মাগী লাম্বা ওইরিবা টিমশিংবু থোয়রগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

রাইখানগী ইমুং মনুং অমদি ববিনা গ্রুপস ওফ কম্পনি অনীগী শেন্থং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা টিম ১৫না শরুক য়াদুনা লীগ কম নোকআউট বেসিসতা চতথরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অনৌবা ইমাগী মঙাল– এআই এম খাবম লমখাইনা সাইনিক এফ সিবু পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীরগা ফাইলে চঙবা ঙমখি।

এ আই এমগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অনী অদু মনোজ রাই অমদি ৱাই ধনরাজ অনীনা মথংশিংনা মেটচকী ২০শুবা অমদি ৪৪শুবা মিনিটশিংদা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখিবনি।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা অঙানবা তাইবঙ ফুটবোল একাদেমি–এ টি এফ এ না অসুফি ফুটবোল একাদেমি মাওবু পাঞ্জল ৩–১দা থোয়রগা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অনীশুবা টিম ওইখি।

মেটচ অদুদা এ টি এফ এগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী পাঞ্জল ৩ অদু এন জোর্জ, ও রোহিত অমদি মালেম টি ঐচনা মথংশিংনা ১০, ২৮ অমদি ৪৯শুবা মিনিটশিংদা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি। লোয়ননা মেটচ অদুদা মায়থিবা নংহৌখ্রবা অসুফি ফুটবোল একাদেমিগী অমত্তা ঙায়রবা পাঞ্জল অদুনা এ অয়াংবা মৈতৈনা ৬০শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখিবনি।

# য়েলহৌ লৌশিং ট্রোফি সেপ্টেম্বর ৩০দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ

লমদম অসিবু মশা মউ ফবা অফবা খুন্নাই অমা ওইহনগদবনি হায়বা পান্দমদা কে ৱাই সি, এ এম দি এস ও অমসুং তি এস এনা পুন্না শীন্দুনা য়েলহৌ লৌশিং ট্রোফি ২০২৬ পাঙথোল্লগনি হায়না কংলে য়েলহৌ চৈঙাকনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইন্তর স্কুল, ইন্তর কলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা প্লেটফোর্ম অসিদা মশা মশাগী টেলেন্ট উথোকপিবা ফগনি। মসিনা মহৈরোয়শিংগী দিসিপ্লিন অমসুং টিম স্পিরিটপু মপাঙ্গল কলহনগনি। মদুনা মখোয়গী স্কুল, কলেজ নৎত্রগা য়ুনিভর্সিটিগী মিংচৎ পুরকপদা মতেং ওইগনি। ফুটবোল শান্নরোইশিংনা মণিপুরগী ৱাংমদা নেসনেল অমসুং ইন্তরনেসনেল লেভেলদা শান্নবা চৎপদা টুর্নামেন্ট অসিনা ফাউন্দেসন অমা ওইনা মতেং পাংগনি। ইমা লৈবাক্কীদমক মপাঙ্গল কনবা খুন্নাই অমা শেমগৎপা হায়বসি ঐখোয়গী মরুওইবা থৌদাংনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম সবমিসনগী অরোইবা মতম্না সেপ্টেম্বর ২৫ নি। ওপনিং মেট্চনা সেপ্টেম্বর ৩০ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা অকাম্পাৎ ১১ স্তার গ্রাউন্দদা ওপনিং মেটচ পাঙথোক্কনি। ওনলাইন সবমিসনগী ওইনা পেমেন্টসু মোবাইল নম্বর ৬৯০৯৫৫০৩৩৮ তা তৌবা য়াগনি। দোকুমেন্টশিংনা মোবাইল নম্বর ৯০৭৭৫৫০৩৩৮ তা থারকপা য়াগনি। ওফলাইন ওইনা দোকুমেন্টশিং প্লে নুমিৎ নৎত্রগা মেনেজর মিটিংদা পুরকপা অমসুং পীশিনবা য়াগনি। মেট্চ খুদিংগী প্লেয়ার ওফ দি মেট্চ লৈগনি। ওর্গনাইজেসন কম্মিটিগী মায়কৈদগী টুর্নামেন্ট অসিদা মহৈরোই খুদিংমক্কা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

# মিষ্টর কংলৈপাক বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ

১৬শুবা মিষ্টর কংলৈপাক বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ লাক্লিবা ওক্তোবর ১৮দা পাঙথোক্লগনি।

নিংথেমচা নিঙোল চোংথাম ওংবী ইমা ইবেম্মা রাজকুমারী সনাতোম্বী ট্রষ্টনা স্পোন্সর তৌরগা মণিপুরগী এম্যেচর বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসন (এম এ বি এ) শীন্দুনা ১৮শুবা মিষ্টর কংলৈপাক বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ লাক্লিবা মথং থাগী ১৮দা নোর্থ এ ও সিদা লৈবা অশা জিনা সিনেমা হোলদা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগা মরী লৈননা তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা কে বি বি জিমগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মণিপুর এম্যেচর বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসন (এম এ বি এ) গী প্রসিদেন্ট ডা. আর কে হরিশ্যামনা হায়, লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক মশা মউ ফনা তীঞ্জং কাইজংদনা লৈনবা অমসুং হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু নিশাগী ঈপাক্তগী লাপ্না লৈহন্দুনা অফবা খুন্নাই অমা ওইননবগী পান্দমদা ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ অসি চহী খুদিংগী লেপ্তনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি মমাংথক্তগী হৌনা নিংথেমচা নিঙোল চোংথাম ওংবী ইমা ইবেম্মা রাজকুমার সনাতোম্বী ত্রষ্টনা স্পোন্সর তৌবীদুনা এন এ বি এগা খুৎশম্নরগা পাঙথোক্তুনা লাক্‌পনি। হন্দক চহীগী ওইনসু ত্রষ্ট অসিগী মখাদা ওক্তোবর ১৮দা অশা জিনা হোলদা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিংগী সেনিয়র, জুনিয়র, সব জুনিয়র, মেন ফিজিক, ৱুমেন বোদি বিল্ডিং অমসুং মাষ্টরদা পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোয়রে। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী তোঙানা তোঙানবা কেটাগোরিশিংগী মকোক মথং তারক্লবশিংদা কেস এৱার্দ, মেমেন্টো, মেদল অমসুং সার্টিফিকেটনচিংবা মনাশিং পীগনি।

হরিশ্যামনা মখা তারদুনা হায়, মিষ্টর কংলৈপাক বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেনিয়র, জুনিয়র অমসুং মেন ফিজিক্কী অহানবা পোজিসন তারক্লবা বোদি বিল্ডরশিংনা হরিয়নাগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লাক্লিবা ওক্তোবর ৩০দগী নবেম্বর ১ ফাওবা পাঙথোক্কদবা পি এ আর ভি ক্লাসিক ২০২৬ (ইন্টরনেসনেল এক্সপো) দা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগনি। হায়রিবা পি এ আর ভি ক্লাসিক ২০২৬ অসিগী সেনিয়র বোল্ডি বিল্ডিংগী ফার্ষ্ট পোজিসনদগী ফাইভ পোজিসন ফাওবা তাবা বোদি বিল্ডর অদুদা মথংশিংনা কেস প্রাইজ ৫১০০০, ৩১০০০, ২১০০০, ১১০০০ অমসুং ৭০০০ পীগনি। লোয়ননা জুনিয়র বোদি বিল্ডিং অমসুং মেন ফিজিক্কী ওইনসু ফার্ষ্ট পোজিসনদগী ৫ ফাওবগী পোজিসন তারবা মীওইশিংদা কেস এৱার্দ ওইনা লুপা লীশিং ৩১, লীশিং ২১, লীসিং ১১, লীশিং ৭ অমসুং লীশিং ৫গী মনা থল্লি। ওভর ওল মেন বোদি বিল্ডিং অমসুং মেন ফিজিক্কী ওইনা মথংশিংনা লুপা লাক্ষ ৫ অমসুং লুপা লাক্ষ ২ অমদি বেষ্ট পোজর, বেষ্ট ফিজিক, বেষ্ট কন্দিসন অমসুং হার্ট কোর এৱার্দকী ওইনসু লুপা লীশিং ২৫। ২৫গী কেস এৱার্দশিংসু থল্লি।

অসিগুম্বা ইন্টরনেসনেল এক্সপো কম্পিটিসন অসিদা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ানিংবা ষ্টেট অসিগী বোদি বিল্ডরশিংনা মিষ্টর কংলৈপাক চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। লোয়ননা থা অসিগী ২৭তা য়াইরিপোক য়াইরিপোক তোপ চিংথাদা এসোসিয়েসন অসিগী মখাদা ৯শুবা মিষ্টর লময়ানবা বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট তোঙান তোঙানবা কাঙলূপকী সেনিয়র, জুনিয়র অমসুং মেন ফিজিকতা পাঙথোক্লগনি।

মরম অদুনা মিষ্টর কংলৈপাক অমসুং মিষ্টর লময়ানবা বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপঅসিদা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা জিমশিংগী শাফবশিংনা শরুক য়বীদুনা মপুং ফাহনবীয়ু হায়না ডা, হরিশ্যামনা আপিল তৌরক্লি।

পাউগী মীফম অদুদা এন এ বি এগী জেনরেল সেক্রেটরী সাপম জয়চন্দ্র, ভাইস প্রসিদেন্ট এল বি কে সিংহ অমসুং ট্রেজরর রনধিরসু শরুক য়াখি।



SL/B(KK)/31 (one month)

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com